# প্রজাগী শেনফম লান্না শিজিন্নবগী ৱাখল লৈতেঃ করাম শ্যাম

এস এন এস

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ ঃ মীয়ামগী ওইবা শেনফম অসি খোমজিল্লগা মদুনা মীখল মতমদা প্রজা লৈবগী সিষ্টেমদা থাজবা থমদে। মীয়ামগী মীহুৎশিংনা প্রজাশিং য়াওনা পুন্না থবক তৌমিন্নবা মতমদা লমদম অসিদা চাউনা অহোংবা পুরকপা ঙমগনি লোয়নননা ক্বালিতি লৈনা থবক তৌহনবা য়াগনি হায়না সি এ এফ এন্দ পি দিগী মিনিষ্টর কে শ্যাম্না ফোঙদোকখ্রে।

লংথবাল কেন্দ্রগী এম এল এ সু ওইরিবা মিনিষ্টরনা কেন্দ্র অসিগী মফম ৬ তা লমদম অদুগী মীয়াম্না হান্না শেল পুথোক্তুনা শেমগৎ শাগৎপগী থবক পায়খৎখিবা মফমশিং মহাক্কী এম এল এ লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দগী শেনফম পুন্না লুপা লাক্ষ ২৬ প্রজাশিংদা খুৎশিন্নবগী খোঙচৎকা মরি লৈননা মিনিষ্টরনা হায়, দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা লুচিংবশিংনা মখোয় অসি প্রজাশিংগী মীহুৎ ওইরিবনি হায়বসি নিংশিংবগা লোয়নননা শেমগৎ শাগৎপকী থবকশিংদা প্রজাশিংগা পুন্না চৎমিন্নবা মতমদা চাউখৎ লমজেলদা খুমাং চাউশিনবগা লোয়নননা অহোংবা পুরকপা ঙমগনি।

মিনিষ্টরনা হায়, এম এল এ অমগী লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দ অসি চহি ১ গী ওইনা লুপা ক্রোর ২নি। মসিগী শেনফম অসিনা প্রজাশিংগী চাউখৎ থৌরাংদা নিংবা থুংবদি নত্তে। অদুবু মসিগী শেনফম অসিনা কেন্দ্রগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক্তা শিজিন্নদুনা কেন্দ্র অদুদা খরমখে অহোংবা পুরকপদি য়াগনি।

ঙসি কেন্দ্র অসিগী মফম কয়াদা কোয়না চত্তুনা য়েঙ্হোল্লিবা শেনফম অসি হান্ননা মফম মফম অদুগী মীয়াম্না লৈজবা শেল পুথোল্লগা থবক শুবা লোইখ্রবা অমসুং থবক শুবা হৌরবশিংদা পীবনি।

মীয়ামদা হান্না শিন্নদুনা শেল পুথোকহল্লগা থবক শুহনবা অসিনা থবক শুবদা শেল মাঙহনবগী চাং য়াম্না হন্থহল্লি। লোয়নননা মীয়াম্না হকথেংননা শরুক য়ারবনিনা মসিনা ক্বালিতি লৈনা থবক তৌবা ঙমগহনগনি। মসিনা মনুং মপান ফাওনা থবক তৌদুনা লুচিংবশিং অদুদা প্রজাশিংনা থাজবা হেনগৎহনগনি।

প্রজাশিংগী ফংফম থোকপা চাকথুং মৎলগা মদু লন্নাইগী ওইনা খোমগৎলগা মীখলগী মতমদা প্রজা লৈরগা শিজিন্নবগী পোলিতিক্সতা মহাক্না থাজবা থমদে হায়খি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, লংথবাল কেন্দ্রগী ওইনা ইং ২০১৮–১৯ ফাওবগী মনুংদা লম্বী থোংশিং চাদ ৯৯ দি শেম্বা লোইশিল্লগনি। মীখলগী মতমদা প্রজাশিংবু নুংশিবা অদুগা মীখল লোইখ্রগা প্রজাশিংবু কাউথোকপা মহাক পামদে। লংথবাল কেন্দ্রদগী হৌরগা মীহুৎশিংগা পজ্রাশিংগা খুৎশম্নরবা থবক তৌবগী চৎনবী অসি অতৈ মফমশিংদা খঙহনসি হায়খি। মসিগী ৱাখল্লোন্দা প্রজাশিংগী শেনফম অসি প্রজাশিংদা খুৎশিন্নদুনা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপনি হায়খি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, লুচিংবা অমা ওইবা তারবদি মীয়ামগা চৎমিন্নবা, মীয়াম্বু লমজিংবা অমসুং মীয়ামগী থাজবা অমা লৈহনবা দরকার লৈ।

কেন্দ্র অসিদা পায়খৎলিবা থবকশিং অসি থবক শুবা মতমদা প্রজাশিংদা মশা মশাগী লৈজরিবা শেনফম অদু পুথোল্লগা মখোয়না লৈকাইগী শেমগৎ শাগৎপগী ৱাখল্লোন ফাওহনবগা লোয়নননা দায়ত্ব শিন্নরগা থবক তৌহনবনি। মদুনা মরম ওইরগা থবক অদু ক্বালিতি লৈনা শুবা ঙমগনি। অসিগুম্বা ফিদম্নিঙাই ওইবা থবক অসি অতোপ্পা কেন্দ্রগী মীয়ামদা খঙহন্নিংই।

প্রজাগী থাদরকপা শেনফম প্রজা য়ৌহনবদা প্রজাশিংগী মতেং য়াওদনা ওইথোক্তে হায়বসি উৎপা পাম্মী।

ঙসিগী খোঙচৎ অদুদা হৈরাঙ্গোইথোং ওইনাম লৈকাইদা মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী শেনফম পুথোল্লগা য়ুম লৈবা য়াদ্রবা ইমুং অমগীদমক লুপা লিশিং ৭০ চংনা শাবা য়ুম অমা অমসুং চজিং অৱাং মমাং লৈকাইদা এম এল এ লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা লুপা লাক্ষ ১.৫০ চংনা শাবা য়ুম অমগী ফিভম য়েংশিনখি।

এম এল এ লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা য়ুম শাবগী মতাংদা মিনিষ্টরনা হায়, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী পাউতাক মতুং ইন্না লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দগী মখাদা য়ামদ্রবদা য়ুম ১০ অমসুং য়াল্লবদা ২০ শাবা য়াবগী থৌরাং অমা হাপচিল্লে।

মসিগী থৌরাং অসিগী মখাদা লংথবাল কেন্দ্রদা পুন্না য়ুম ১০ চৎলিবা চহি অসিদা শানবা লৌখৎপদা য়ুম ৭ লোমদি শাবা লোইরক্লে। গভর্ণমেন্ট অসিনা তপ্না তপ্না অহোংবা পুরকপা ঙম্নবা হোৎনরি হায়খি।

ঙসি হান্ন থবক শুখ্রবা মতুংদা লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দদগী শেনফমশিং খুৎশিন্নখিবা মফমশিং অদুদি লংথবাল কেন্দ্রগী মনুং চনবা পোল্লিং ষ্টেসন ২০। ১৮–অৱাং নাওরেম লৈকাই,২০। ১১–হৈরাঙ্গোইথোং ওইনাম লৈকাই,২০। ২০–লংথবাল কুঞ্জ অৱাং লৈকাই, ২০। ২৯–চজিং অৱাং লৈকাই, ২০। ৩০–চজিং চীং খোঙ লৈকাই অমসুং ২০। ৩৫–চজিং কোঞ্জেং লৈকাইনি। লৈকাই ৬ অসিদা পুন্না মিনিষ্টরনা এল এ দি এফতগী লুপা লাক্ষ ২৬ প্রজাশিংদা খুৎশিন্নরমখি।

লমায় ১ গী মখা

# অশোক অপন থোকহনখিবা থৌওং কন্দেম তৌখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮ঃ*

শগোলমাংদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল শান্নবা উরেপ তমদুনা ফেন্সিংনচিংবা তৌরবা মতুং অতোপ্পা মফম অমদা হোংদোক্তুনা উরেপ তমখিবগী মায়োক্তা মীয়াম্না চঙশিনখিবা খোঙজংদা পুলিসনা টিয়ার গ্যাসনচিংবা কাপ্তুনা মীওই ২০ রোম অশোক অপন নংহনখিবা থৌওং অদুবু ওল ইন্দিয়া ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এ আই এস এফ) মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে।

এ আই এস এফ ষ্টেট সেক্রেটরী কে ঐচ রামেশ্বর সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ৱাথোক অসিগী মতাংদা সরকারনা চপ চাবা ৱারোইশিন অমা পুরক্নবা অথুবদা হোৎনগদবনি। লোয়নননা মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা রাজনিতিগী অখুবা মীৎয়েংনা মাংওইনরগা থবক তৌরবদি মদুনা মীয়ামগী হেন্না খোইশাওনবা ওইহল্লকনি হায়রি।

# গভর্ণমেন্ট পোলিটিক্লিক্কী ষ্টাফশিংনা খোঙজং চঙশিনখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮ঃ*

এমতুক অমসু এমজিওগী জে এ সিনা ৭শুবা পে য়াওনা তোঙান–তোঙানবা দিমান্দ তৌদুনা চঙশিল্লক্লিবা থবক লেপ্পগী খোঙজংদা গভর্ণমেন্ট পোলিটিক্লিক ষ্টাফশিংনা মপুং ফানা শৌগৎপগা লোয়নননা ঙসি থবক লেপ্তুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে। খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা সেনিয়ার ইনষ্ট্রক্টর এন জি জিবননা ফোঙদোরকখিবদি ষ্টেট সরকারগী ইমপ্লোইয়িশিংনা ৭শুবা পে দিমান্দ তৌরিবা অসি অতোপ্পা ষ্টেটশিংদদি পীন্নখ্রবনি। অদুবু মণিপুরগী ওইনদি ঙসি ফাওবা পীবিদ্রি। সরকারদা থাজবা থম্লম্বা অদু ঙসিদি ওন্ন–তৈনবা মায়কৈদা লাক্লে হায়রদুনা এমতুক অমসুং এমজিওগী জে এ সিনা চঙশিল্লকপা খোঙজং খুদিংমক্তা মপুং ফানা শৌগৎকনি।

# রোটরি ক্লব ওফ পোলো সিটি ইম্ফালনা লায়েংমল পুথোক্কদৌরি

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮ঃ*

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা টোম ময়াই লৈকাই ইরিল ৱাংমদা লৈবা য়াংলেম ইবোমচা অমদি সন্ধিয়াগী মচানুপী লিম্থোইগী লায়েংবদা চঙবা শেনফম পুম্নমক রোটরি ক্লব ওফ পোলো সিটি ইম্ফালনা পুথোক্তুনা দিল্লিগী ফোর্টিস হোস্পিটালদা লায়েংলগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

রোটরি ক্লব ওফ পোলো সিটি ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট বিরলা হাওবিজমনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালদা পাউমীশিংগা উন্নবদা হায়, বেবি লিম্থোইগী মতাংদা মেদিয়ানা ফোঙদোরকখিবা অদুদা মীৎয়েং চঙদুনা ক্লবকী মীহুৎশিংনা চৎতুনা য়েংশিল্লুরেল। চহী ১৪ খক্তা ঙাইরিবী লিম্থোইগী কিদনি অনীমক ফেল ওইদুনা ৭৫রক দাইলাইসিস তৌদুনা লৈরম্বা থেংনখি। মহাকপু মপান লমদা পুদুনা লায়েংবদা চঙবা শেনফম খুদিংমক ক্লবনা পুথোক্তুনা লায়েংগনি।

মমানা কিদনি দোন্নর ওইদুনা মচানুপীবু পুন্সি কনগে হায়না খল্লবসু ওপরেসন তৌবদা চঙগদবা শেনফম লৈতবদগী ইঙ্খোল য়োংদুনা ঙসি ফাওবা মচানুপীবু লায়েংদুনা লাকখিবনি। ফিভম অসিদা রোটরি ক্লব ওফ পোলো সিটি ইম্ফালনা অঙম্বা মতেং পাংনবা থৌরাং তৌগনি। দিল্লিগী ফোর্টিস হোস্পিটালদা লিম্থোইবু লায়েংদুনা চঙগদবা শেনফম ক্লব অসিনা পুথোক্কনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# নুংফৌ বজারদগী দ্রগ লান্না শীজিন্নবা মীওই ৫ ফাগৎখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮ঃ*

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লমদিং খুমন্থেম লৈকাইদা লৈবা লমদিং এদুকেটেদ ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসন (লেৱা)না নিষাগী মায়োক্তা চত্থরকপা খোঙজংগী মনুং চন্না ঙসিসু সঙ্গাইয়ুম্ফম নুংফৌ বজারদগী দ্রগ লান্না শীজিন্নবা মীওই ৫ ফাগৎলে হায়না এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট এস ওজিৎ সিংহনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ফাগৎলবা মীওইশিং অদুদি খোঙজোম তেকচম মনিং লৈকাইদগী সোইবম দিক্সন সিংহ অপোকপা গিরানি, অথোকপম খুনৌদগী খুমন্থেম নিংথেম সিংহ অপোকপা শ্যামকিশ্বর, ফৌদেল কাইরেম্বীদগী লৈমপোকপম দিক্কু সিংহ অপোকপা ব্রোজেন, হৈরোক পার্ট ২দগী থোকচোম ননাও এলাইজ কেনেদি অপোকপা জগৎচন্দ্র অমসুং লাইশ্রম নোরেন সিংহ অপোকপা মঙলেমনি।

ফারবশিং অদুগী মনুংদা অনীনা থৌবাল পুলিস ষ্টেসনদা শীন্নখ্রে। অদুগা অতোপ্পা অহুম্না মমা মপা কৌরগা শীন্নখ্রে হায়রি।

# সেনিটেসনগী পাউজেল পুবা খোঙচৎ চৎখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮ঃ*

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট সেনিটেসন কম্মিটি অমসুং পি ঐচ ই দি বিষ্ণুপুর দিভিজন খুৎশম্নদুনা ঙসি ৱাঙু বোরায়াংবী জি পি এরিয়দা সেনিটেসনগী পাউজেল পুবা মীয়ামগী খোঙচৎ চৎখ্রে। জি পিগী প্রধান, মেম্বরশিং য়াওনা মীয়াম্না শরুক য়াদুনা চৎখিবা খোঙচৎ অদুনা মখুম কুপ্তবা কোমদা, পাৎ তুরেল অমদি লম্খাংদা অমাং অশোই তৌশিনবা তোল্লসি, কোম অনীগী সেনিটরি লেট্রিন শীজিন্নবা হৌরসি, চারম থল্লম্দাইদা সপোন্না খুৎ–শা শেংনা হামদোল্লসি, পিক্লিবা অঙাংশিংগী অমাংবশিং লেট্রিনদা থাদবগী হৈনবী থল্লসি, অমোৎ–অকাই, ফত্ত–হৌদি মফম চানা হুন্দোল্লসি হায়বা পাউজেল কয়াসু লাউখি হায়রি।

লমায় ১ গী মখা

# আমজুগী স্পিসিয়েল জি বি মিটিং থা অসিগী ২৪দা অমুক পাঙথোক্লবা লেপ্নখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮ঃ*

ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (আমজু)গী প্রসিদেন্ট ইন চার্জ কে সরোজকুমার শর্ম্ম অমসুং এদভাইজরশিং এন তোম্বীরাজ অমদি ব্রোজেন্দ্রো নিঙোম্বনা ময়াই ফমদুনা ঙরাং মণিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা স্পিসিয়েল জেনরেল বোদি মিটিংনা তোঙান–তোঙানবা ৱারেপ ৬ লৌখিবগা লোয়নননা থা অসিগী ২৪ লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ তাবদা অমুক হন্না স্পিসিয়েল জি বি মিটিং পাঙথোক্লবা লেপ্নখ্রে।

আমজুগী সেক্রেটরী জেনরেল এস নন্দ সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ঙরাং পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা আমজুগী কন্সটিটুসন শেমদোক শেমজিন তৌনবা শেমখিবা ড্রাফটিং কম্মিটিগী ফাইনেল রিপোর্ট চৎলিবা থা অসিগী ২১দা পীখৎলক্লবা মতুং মথংগী নুমিৎতা মেম্বরশিংদা য়েঙ্হোকপা অদুগা থা অসিগী ২৪দা অমুক জি বি মিটিং পাঙথোক্তুনা চংনবা য়াব্রা য়াদ্রা হায়বদু খন্নবা হায়না ৱারেপ লৌখি। মখা তানা থা অসিগী ২৪দা পাঙথোক্কদবা জি বি মিটিংদা লাক্তবা মেম্বরশিংদা এক্সপ্লেনেসন কোল তৌবা, ভাইস প্রসিদেন্ট কে সরোজকুমার শর্ম্মনা প্রসিদেন্ট ইন চার্জ ওইনা থৌ পুবা থা ৩ মপুং ফারকপগা লোয়নননা মখা তানা এক্সটেন্ট তৌবা নৎত্রগা অনৌবা প্রসিদেন্ট খন্নবা ইলেক্সন তৌগদ্রা হায়বা অদু মথংগী জি বি মিটিংদা পুথোক্তুনা খন্নবা হায়নসু ৱারেপ্নখি। মীতিং অদুনা জর্নেলিষ্ট পেন্সন স্কিম য়াওদবা চহী বার ওইরবা আমজুগী মেম্বরশিংদা ৱান টাম ওইনা পুথোক্লবা ফন্দ দ্রাইব তৌবা হায়নসু য়ান্নখি হায়রি।

# ঈচাও অমসুং চীং নিংখাইবদা শোকখিবশিংগী তেংবাং পীবিদবদগী ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

*চকপিকারোং, ফেব্রুৱারী ১৮ঃ*

২০১৫ আগষ্ট থাদা থোকখিবা ঈশিং ঈচাও অমসুং চীং নীংখাইবদা শোকখিবশিংগী অৱা তেংবাং ঙসি ফাওবা সরকারনা পীবিদববু পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি চকপিকারোং কৈথেলদা মীয়ামগী ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

চকপিকারোং ব্লোক্কী মনুং চন্না লৈবা ভিলেজ চীফশিংনা শৌগৎলগা ফ্লদ ভিক্টিমস দিমান্দ কম্মিটি চান্দেল অমসুং চকপিকারোং ব্লোক্কী বেনিফিসরিশিংনা শরুক য়াখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী খুত্থাংদা গভর্ণর ডা. নজামা হেপ্তুল্লা, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহ অমদি ভারত সরকারগী মিনিষ্ট্রি ওফ রুরেল দিভলপমেন্টকী দাইরেক্টর (আর ঐচ) বি সি বেহরাদা মেমোরেন্দম অমমমসু পীশিনখি।

মেমোরেন্দম অদু ৱাটর রিছোর্সেস মিনিষ্টর লেটপাউ হাওকিপ, ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎ অমসুং চীফ সেক্রেটরী ডা. জে সুরেস বাবুদসু পীখি হায়রি।

ফ্লদ ভিক্টিম দিমান্দ কম্মিটি চান্দেল অমসুং চকপীকারোং ব্লোক্কী ভিলেজ চীফশিংনা থোকখিবা ঈশিং ঈচাও অমসুং চীং নীংখাইবা অদুদা অৱা–অনা নংশ্রবশিংগী ফংফম থোকপা রিলিফকী তেংবাং অদু অথুবা মতমদা ফংহনবীনবা মণিপুর সরকারদা অমুক্কসু হায়জরদুনা মরী লৈনবা বি দি ও, এস দি ও অমসুং দি আর দি এনসু অৱাবা তারবা মীয়ামগী য়েংবীদুনা অথুবদা ফংফম থোকপশিং অদু ফংহন্নবা অমসুং মরী লৈনবা য়ুটিলাইজেসন সার্টিফিকেটনচিংবা ভারত সরকারদা থাবীয়ু হায়রি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ফোঙদোরকখিবদি ২০১৫কী জুলাই অমসুং আগষ্ট থাদা নোং কন্না চুখিবা অদুনা মরম ওইরগা চকপী কারোং এরিয়া অমসুং অকোইবগী ভিলেজ কয়া থিনা শোকহনখিবনি। য়ুম অমসুং অতৈ লন–থুম কয়াসু মাং তাকহনখিবনি। অদুনা অৱাবা নংলিবা ইমুংশিংগীদমক খনবীদুনা ফংফম থোকপশিংদা অদু ফংহনবীয়ু হায়রি।

# লিগেল এৱেয়ারনেস পাঙথোকখ্রে, স্কুল য়ুনিফোর্ম য়েঙ্হোকখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮ঃ*

মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটিগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটি ইম্ফাল ইষ্টনা লিগেল এদ ক্লিনিক নংব্রমগা খুৎশম্নদুনা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱেয়ারনেস প্রোগ্রাম ঙসি কামুচীং হায়স্কুলদা পাঙথোকপগা লোয়নননা স্কুল অসিগী মহৈরোই ৭০দা স্কুল য়ুনিফোর্মসু য়েঙ্হোকখ্রে।

পাউ অসিনা হায়, জষ্টিস ইস ট্রুথ হায়বা পান্দমদা পাঙথোকখিবা এৱেয়ারনেস প্রোগ্রাম অদুদা মণিপুর লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটিগী মেম্বর সেক্রেটরী আর কে মেমচা দেবী, এদিস্নেল মেম্বর সেক্রেটরী ওজেস মুতুম, কামুচীং হায়স্কুলগী হেদ মাষ্টর লাইশ্রম রাজেন সিংহ, নোংব্রম মৈরা পায়বীলুপকী সেক্রেটরী এন ইবেতোম্বী দেবী, এম দি দি এ ভি এল সিগী ভাইস প্রসিদেন্ট এস চন্দ্রজিনি লৈমা অমসুং লিগেল এদ ক্লিনিক নোংব্রমগী কোওর্দিনেটর এ তেনদেনবা মীতৈনা পুন্না প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

ৱাঙাংলোইশিংনা ষ্টেট অসিদা চৎনরিবা লো অমদি তোঙান–তোঙানবা এক্ট কয়াগী মতাংদা মরিক চুম্না থম্লগা লোয়নননা শরুক য়াখিবশিংনা হংলকপা ৱাহংগী পাউখুমসু পীখি। তুংদা মোব জষ্টিস অমসুং চাইল্ড এব্যুজগী মতাংদা য়ুম্ফম ওইবা 'মাই মোম' হায়না মিংথোনবা অতেনবা ফিল্ম অমসু উংখি। তুংদা স্কুল অসিগী মহৈরোই ৭০দা স্কুল য়ুনির্ফোমসু য়েঙ্হোকখি হায়রি।

# এঙ্গলো মণিপুরী ৱার ১৮৯১গী নীংশিং থৌরম থাবুম অমা চুপ্পা পাঙথোক্লগনি

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮ঃ*

জষ্টিস কম্মিটি ফোর এঙ্গলো মণিপুরী ৱার, ১৮৯১ মার্টিয়স এন্দ ভিক্টিমস ওফ কংলৈপাক (মণিপুর), (জষ্টিস কম্মিটি ১৮৯১)না এঙ্গলো মণিপুরী ৱার ১৮৯১গী লাঞ্জাও থাবুম মার্চ ২৪, ১৮৯১ তগী এপ্রিল ২৭ ১৮৯১বু নীংশিংবগী থৌরম হন্দক চহীগী ওইনা নুমিৎ তরেৎনি চুপ্পা এপ্রিল ২০দগী ২৭ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়না জষ্টিস কম্মিটি ১৮৯১গী কনভেনর খুরাইজম অচৌবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থা অসিগী ১৩দা পাঙথোকখিবা জষ্টিস কম্মিটি ১৮৯১ অমদি মীয়াম্না মতম শাঙনা নাথৈবীদুনা লৈরুরবা অথৌবশিংগী ইমুং মনুং অমদি মেমোরিয়েল ট্রষ্টকী মীহুৎশিং য়াওনা অপুনবা মীফম অমনা লাক্লিবা থা অসিগী ২০দগী ২৭ ফাওবা নুমিৎ ৭নি চুপ্না এঙ্গলো মণিপুরী ৱারগী নীংশিং থৌরম পাঙথোকপা হায়না য়ান্নখি। থৌরম অসিগী মনুং চন্না কংলৈপাক্তা থোকখিবা লাঞ্জাও অদুগা মরী লৈনবা লানফমশিং অমদি লাফমশিং অদুদা শরুক য়াখিবা মশক খঙহৌবা অমদি খঙহৌদ্রবা অথৌবশিং য়াওনা ঙসিগী লৈঙাক্না অমদি মীয়াম্না মতম শাংনা নাথৈবীদুনা লৈরম্লবা মশক খঙলবা অথৌবা কয়াবু লৈবাক মমাঙদা পুথোক্তুনা মখোয়বু মশক তাকপা অমদি মখোয়না তৌরম্বা থৌদাংনচিংবা কয়াবু মচা খাইনা পুথোক্তুনা থাবুম অসিগী মনুংদা থৌরমশিং অসিগী মতেংনা খঙমিন্ননবা হোৎনরগনি।

থৌরমগী অহৌবা নুমিৎ ইম্ফাল কলেজগী মল্টি প্রাপজ হোলদা পাঙথোক্কনি। নুমিৎ অসিদা কংলাদা বৃটিসশিংনা খঙহৌদনা লান দাশিল্লকখিবদা মণিপুর লান্মীনা মায়থিবা পীদুনা মরালগী মতুং ইন্না বৃটিস ওফিসার য়াওনা মখোয় ৫ অহকপা চৈরাক পীখিবা নুমিৎ মার্চ ২৪, ১৮৯১ অমদি কংলৈ লান্মীনা থৌবাল অথোকপমদা বৃটিসকী লান্মী কেম্পশিংদা লান দাদুনা মায়থিবা পীখিবা নুমিৎ মার্চ ৩১, ১৮৯১বু নীংশিংদুনা 'দে ওফ ট্রিবুট টু দি ভিক্টরি ওন কংলা এন্দ থৌবাল বেট্টল ওফ ২৪ এন্দ ৩১ মার্চ ১৮৯১ বাই দি মণিপুরী এগেনষ্ট দি বৃটিষ্ট'বু নীংশিংবা থৌরম পাঙথোক্কনি।

অনীশুবা নুমিৎনা জষ্টিস কম্মিটিগী ওফিস কৈশাম্পাৎ জংসনদগী লমথাদুনা লাইমতোন বেট্টলগী লানফম লাইমতোন চীংজাও, তোংজৈ মরিল বিষ্ণুপুরদা চৎতুনা লানফম অদুবু নীংশিংদুনা মীওই ৬০না শাবা মেদিয়া এক্সপেদিসন অমা চৎকনি।

অহুমশুবা নুমিৎতনা শীংজমৈ ওইনাম থিঙেলদা লৈবা মদনমোহন মান্দপতা ঐখোয়গী ক্লব শীংজমৈ ওইনাম থিঙেল অমদি সনাঙম্বা কালাসনা মেমোরিয়েল কম্মিটিনা পুন্না খুৎশম্নদুনা লাইমতোন বেট্টলদা শরুক য়াখিবা লুচিংপুরেল ওইখিবা অথৌবা কালাসনা (শগোলহঞ্জবা), সনাঙম্বা (লৌরুংহঞ্জবা), য়েংখোইবা পোইলা, লোংজম্বা পোইলা অমদি মদুদা শরুক য়াখিবা লান্মী লিশিং ১বু নীংশিংদুনা ইকায় খুম্নবা উৎপগী থৌরম পাঙথোক্কনি।

থৌরম অসিগী মরীশুবা এপ্রিল ২৩ খোঙজোম দে নুমিৎতনা ওর্গনাইজিং কম্মিটি ওফ ফার্স্ত এঙ্গলো মণিপুর ৱার, ১৮৯১ কোমেনমোরেসন মন্থনা শিন্দুনা ইম্ফালগী লময়ানবা শঙলেন্দা লানফম অদুদা থৱাই থাখিবা মেজর পাউনা ব্রজাবাসি, হৈরাংখোঙজা, চীংলেনসনা অমদি মশক খঙবা ঙমদ্রিবা লান্মী ৪০০ অমদি ৱাংখৈ মৈরাবা য়াওনা মচিন মনাও চীংগী মার্টিয়াদমবুসু নীংশিংদুনা থৌরম পাঙথোক্কনি।

মঙাশুবা নুমিৎ এপ্রিল ২৪দনা ময়াং খাঙ বেট্টলবু নীংশিংদুনা মাইবিয়া তামরা সিংহ, জম্বোবন লাইশ্রাবা য়াওনা মশক খঙবা ঙহৌদ্রবা লান্মী ৮০০ অদুবু ইকায় খুম্নবা অমদি নীংশিংবগী থৌরম ময়াংখাঙদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিগী মঙাশুবা নুমিৎ এপ্রিল ২৫দনা ১২৭শুবা খোঙজোম বেট্টল কমেনমোরেসন দে, ২০১৮বু শিললাংলিবা কম্মিটি খোঙজোম বেট্টল মেমোরিয়েল কম্মিটিগা খুৎশম্নদুনা থৌবালগী তেঙ্গোল লম্পাক্তা থৌরম পাঙথোকমিন্নগনি।

অদুগা থৌরম অসিগী অরোইবা নুমিৎ এপ্রিল ২৭তনা কংলৈপাক (মণিপুর)গী নীংতম্না পায়জরম্বা ফিরাল কংলাগী উত্রা মমাঙদগী বৃটিস লান্মীনা থোমজিল্লক্তুনা চীংথদুনা মখোয়গী য়ুনিয়ন জেক য়েকপা ফিরাল চীংখৎখিবা নুমিৎ অদুবু ইপসানা শীনদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা নীংতম্বা মাংখিবা নুমিৎ থৌরম '২০শুবা দার্ক দে ওবজার্বেসন, ২০১৮'গা খুৎশম্নদুনা থৌরম পাঙথোকমিন্নগনি। নুমিৎ অসিদা লানফম অসিগী মরমদমগী অহকপা চৈরাক ফংখিবা পুখ্রম্বম কজাও, নিরঞ্জন সুবেদার, চিরাই থাঙ্গাল (নাগা), কোইরেংসনা (তিকেন্দ্রজিৎ), থাঙ্গাল জেনরেল অমদি মহারাজ চোংথা মিয়াবুসু নীংশিংদুনা ইকায় খুম্নবা উৎকনি। মতম শাংনা মীয়াম্না অমদি লৈবাক্না মশক খঙবিদনা লৈরুরবা অথৌবা ইপা ইপু কয়া অদুবুসু অমুক্তং মখোয়না তৌজরম্বা কয়া অদুগী লমন শিংবমক খঙদ্রবসু মখোয়বু মশক খঙবীবা অমদি নীংশিংবিদুনা লৈ মনা অমত্তা ওইরবসু মখোয়গী মফমদা কৎচদুনা থৌজাল নীজহৌবা অসি অদুক্কী মতিক তঙাইফদে হায়না লৌজবগা লোয়নননা ঙসিগী লৈঙাক অসিনা মখোয়শিং নীংশিংবীদুনা ইকায় খুম্নগদবনি হায়না জষ্টিস কম্মিটিনা ফোঙদোরক্লি।

পুম্নমক অসি য়েংদুনা লাক্কদৌরিবা চহী অসিদগী জষ্টিস কম্মিটি ১৮৯১ অমদি লৈঙাক অসিনা মালেমগী মীয়ামদা এঙ্গলো মণিপুরী ১৮৯১ লাঞ্জাওগী ৱারী অমদি ইপা ইপুশিং অদুগী থৌনা লিংজেল অমদি মরৈবাক নুংশিবগী ইনোৎ অদুবু মালেম শীনবা থুংনা শন্দাক্নবা হোৎনবদা থৌদাং লৌগনি হায়না ফোঙদোরক্লি। লোয়নননা হায়রিবা থৌরমশিং অসিদা লৈবাক অসিগী নীংতম্বা ঙাক্লবগীদমক থৱাই থাদোকখিবা অমদি শিবা কিদনা মমাঙ থংনা লানফম মায়োক্লখিবা অথৌবা ইপা–ইপু খুদিংমকপু নীংশিংমিন্নদুনা লৈবাক নুংশিবগী ইনোৎ অদু অমুক নৌহৌননা হাপমিন্নবা ঙম্নবা হোৎনমিন্নসি হায়না জষ্টিস কম্মিটি ১৮৯১গী মায়কৈদগী খ্বাই মীয়ামগী মফমদা নোল্লুক্না নীংশিংবা ফোঙদোরক্লি।

লমায় ১ গী মখা

# লৈরিবা রিসোর্চ,অনৌবা তেক্নোলোজি অমসুং...

খুঙ্গংগী লম চাউখৎহনবদা লম্বী থোং ফাগৎহনবা, বেঙ্ককী খুদোংচাবা লৈহনবা, গোদাউন মতিক চানা থম্বা, কোল্ড ষ্টোরেজ অমসুং রিফ্রিজরেটর ভেননচিংবা থম্বা দরকার লৈ।

অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা ঈশিং মরাং কায়বা অসি য়েংলগা ঙা য়োকপগী থবক অসি মায় পাক্না পাঙথোকপা য়াগনি। ঙসি অখঙ অহৈশিংনা লৌমীশিংগী শেম্মীৎলোন শরুক অনি হেনগৎহনবদা থেংনরিবা ইসুশিং অদু খন্নরিবনি। অদুবু ইশুশিং অদু মীয়াম্না খঙনরবনি। হৌজিক দরকার লৈরিবদি প্রোব্লেমশিং অদুগী ৱারোইশিন পুরকপনি হায়খি।

লৌমীশিংগী ইনকম শরুক অনি হেনগৎহনগে হায়রবদি মণিপুরদা ফংবা পেংবাগুম্বা অতাংবা ঙা মখলশিং, অতাংবা হৈ লৈ, মনা মশীং থাবা অমসুং লমদম অসিগা চান্নবা আই এফ এস মোদ্যুলশিং শেমদুনা চংশিনবা দরকার লৈ।

মণিপুরগী লৈরিবা চাকহাউ অমুবা অসি হেন্না পাক শন্না থাদুনা পোথোক হেন্না পুথোক্লবা হোৎনবা দরকার লৈ। লমদম অসিদা ফংবা শিং, য়াইঙং, কোমলা, উমোরোক, কিহোমনচিংবা অসি থাদুনা পোথোক পুথোকপা দরকার ওইরি।

সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট, ষ্টেট গভর্ণমেন্ট, সি এ য়ু, আই সি এ আর, কে ভি কেনচিংবা অসিনা সেন্টর অমসুং স্কিমশিং অসি পুন্না পায়খৎমিন্ননবা থবক লৌখৎপা তাই। লৌমীশিংগী য়াইফ থৌরাংগী স্কিমশিং অসি লমদম অসিগা চান্নবা মওংদা শেমদোক্তুনা থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনগদবনি হায়খি।

মণিপুরগী লৈজরিবা নেচরেল রিসোর্চশিং অসি কঞ্জনবা লমদম অসিগী মীয়ামনা দায়ত্ব লৌবা তাই। মণিপুরদা নোং মরাং কায়না চুবা অসিনা লমদম অসিদা খুদোংচাবা অমদি পীরিবনি। লমদম অসিগী মীয়ামগী শেন্থোক লম্বী অসি লৌউ শিংউবনা ওইরবনি।

চীংদা লৈরিবা মীয়াম্না ঙসিসু পামলৌ উবগী চৎনবী অমা লৈরি। হৌজিক্কী মতমদা রোতেস্নেল ঝুমিং তৌবনা অকোয়বগী ফিভমদা চাউরবা শাফু অমা পীরি। মসি কোকহন্নবগীদমক লৌমীশিংদা ঝুমিংগী রোটেসন অসি শাংদোকহনবা দরকার লৈ হায়খি। মসিগী মায় পাকহনগে হায়রবদি পামলৌ উরিবা লৌমীশিংগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবা মথৌ তাই হায়খি।

ভাইস প্রসিদেন্টনা মখা তানা হায়, সাইন্টিষ্টশিংনা লেবোরেটোরিদা থবক তৌবগী মহুত্তা লৌবুক্তা কুমদুনা লৌমীশিংগা উন্নদুনা মখোয়না লেবোরোতোরিদগী ফংলকপা ফাইন্দিংশিং অদু খঙহনবা তাই।

লৌউ শিংউবগী লৌশিং জ্ঞানশিং লৌমীশিংদা য়ৌহনবা মতমদা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী চাউরবা থৌদাং লৈ। মতম অমগী লৌউ শিংউবগী লৈরম্বা লৌশিং জ্ঞানশিং অদু অনৌবা তেক্নোলোজিশিংগা চুশিন্নহনবা দরকার লৈ।

সাইন্টিষ্টশিংনা ফৌ মখলশিংগী কেরেক্টর অমসুং জার্মপ্লাজম অসি নিংথিনা ঙাক শেন্দুনা থম্বা তাঙাইফদে। সি এ য়ু, আই সি এ আরনা পাম্বীশিংগী লায়না তিলনা কয়াদগী ঙাকথোক্লবা ওর্গানিক্কী ওইবা তিলহাৎ হিদাকশিং পুথোকপা দরকার লৈ। মসিনা ঈশিং অমসুং লৈবাক লৈহাউ পোল্লুসন থোকপদগী কোকহনবা ঙমগনি হায়খি।

ভাইস প্রসিদেন্টনা হায়, ঙসি ঐখোয়না তৌবা থবক্না হয়েংগী লম্বী শেমগদৌরিবনি। মণিপুরদা বাইওদাভর্সিটিগী খুদোংচাবা কয়া লৈরি হায়খি।

ভাইস প্রসিদেন্টনা থৌরম অসি য়াওনবগীদমক পুং খরগী খোঙচত্তা ইম্ফাল এয়ারপোর্টতা নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১.৪৯ লোম তাবা মতমদা ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সিকী অখন্নবা প্লেন অমনা ইম্ফাল এয়ারপোর্টতা থুংলখি। লোয়নননা থৌরম য়াওরল্লবা মতুংদা নুংথিল পুং ৪.৩০ খরা হেল্লকপদা ইম্ফাল থাদোকখিবনি।

# কনেক্তিভিটিদা শোথবা অমসুং ৱার্কিং সিজন...

সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি, আই সি এ আর অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা অনৌবা ফৌ মখলশিং পুথোকই তাবদা নুংঙাইবা ফাওই।

লমদম অসিগী ইনাক খুল্লবা বাইওদাইভর্সিটি অসিদা অহিং অশাগী খল হোংলকপা য়াওনা শিংনবা কয়া লাক্লি। অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা থুমহি চেন্দবা খ্বাইদগী চাউবা পাৎ অমা ওইরিবা লোক্তাক পাৎ অসি নোংমা নোংমগী পাৎ অসিদা মোৎশিল্লকপা অমসুং ফুমদিকা হেন্না হৌজিন্দুনা নোংমা নোংমগী শিজিলক্লি। মসি অথুবা মতমদা শেঙদোকপগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

লৌউ শিংউবা অমসুং মসিগা মরি লৈনবা থবক থৌরমশিং অসিনা মণিপুরগী শেন্থোক লম্বী ওইরি। অপুনবা মীশিংগী চাদ ৭০দি লৌউ শিংউ তৌদুনা হিংনবগী লম্বী ওইরি।

লমদম অসিগী লৌউ শিংউবগী থবক অসি কুমগী নোংগী মখা পোন্না চথবনা মরম ওইরগা মসিগী পোথোক পুথোকপদা পেন্নিঙাই ওইদবা ফিভমদা লৈরি।

নোং থেংনা চুবা, মতম চাদনা ঈচাও থোক্লকপা, অফবা পাম্বী ফংদবা, হার মতম চানা ফংদবা,ঈথৈ লৌখোঙগী খুদোংচাবা ৱাৎপা, মার্কেটিং ইনফ্রাষ্ট্রকচর ৱাৎপা কয়া অসি হৌজিক লৌমীশিংনা মায়োক্লরি।

ঙসিগী ৱার্কশোপ অসিনা লৌরকপা রিকমেন্দেসন অদুনা লৌউ শিংউবগী লমদা মায়োক্লরিবা শিংনবশিং খঙদোকপদা মতেং ওইরগনি লোয়নননা ইং ২০২২ ফাওবদা লৌমীশিংগী ইনকম শরুক অনি ওইহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপদা মতেং ওইরগনি হায়না গভর্ণরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়, লমদম অসিদা লৈরিবা মীশিংগী অয়াম্বা শরুক্তি লৌউ শিংউবনা মপুং ওইবা শিনফম ওইরি। ষ্টেট অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা অচৌবা ইন্দষ্ট্রিজ লৈতে। মরম অসিনা অয়াম্বা মীশিংগী শেন্থোক লম্বী অসি লৌউ শিংউবা অমসুং মসিগা মরি লৈনবা শিনফমশিংদগী লাক্লি। লমদম অসিগী লৌমীশিংনা ষ্টেট অসিগী পোথোক পুথোকপগী য়াংলেন শরু ওইরি।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী ইং ২০২২ ফাওবদা লৌমীশিংগী ইনকম শরুক অনি ওইহন্নবা থৌরাং পায়খৎপা হৌখ্রে। অদুম ওইনমক পান্দম অসি লৈরিবা ফার্মিং সিষ্টেম অসিদা লৈজরিবা খঙদোক্তনা লৈরিবা পোটেন্সিয়েলশিং অসি শিজিন্নরবা মতমদা ফংবা ঙমগনি।

লমদম অসিগী চীং লমশিংদা হৌজিক ফাওবা পোটেন্সিয়েলশিং অদু শিজিন্নবা ঙমদনা লৈরি। হৌজিক দরকার লৈরিবা অসি মফমশিং অসিগা চান্নবা তেক্নোলোজিশিং হৌদোকপা অমসুং পোথোক হেনগৎহন্দুনা ফার্মিং সিষ্টেম অসি হেন্না মপুং ফাহন্নবা থবক লৌখৎপা দরকার লৈ।

লমদম অসিদা হায় ভেল্যু এগ্রিকলচরদা য়ুম্ফম ওইবা লৌউ শিংউবগী মওংশিং চংশিনবগী তঙাইফদবা লৈ। মসিদা নত্তনা ক্রোপ–লাইভষ্টোক–পিসিকলচর ইন্টিগ্রেসনগী পথাপ অসি শিজিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

লমদম অসি নোং মরাং কায়না তারবসু ঈশিং নিংথিনা য়োক্তুনা থমদবনা মরম ওইরগা নিংথম থাগী মতমদা ঈশিং ৱাৎপগী অৱাবা মায়োক্লরি। মসি খঙনা ষ্টেট অসিনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ৱাটর বোদিশিং শেমগৎনবা থবক পায়খৎপা হৌরে হায়খি। মসিগী প্রোজেক্টশিং অসি লোইরবদি লৌমীশিংনা নিংথম থাগী মতমদা মনা মশিং থাবগীদমক ঈশিং মরাং কায়না ফংহনবা ঙম্লগনি হায়খি।

ঙসিগী মীফমগী রিকমেন্দেসন অসিনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লৈরিবা বাইওদাইভর্সিটি অসি কন্দুনা থম্নবা অমসুং লৌউ শিংউবগী শীনফম অসিদা হেন্না কান্নবা ফংহন্নবা পোলিসি প্রোগ্রামশিং পায়খৎপদা মতেং ওইরগনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং, গভর্ণমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংসু শরুক য়াখি।

# মণিপুরীশিংনা ইন্দিয়াবু মালেমদা...

মেরিকোমগী হৈশিংবা অমসুং মহাক্না লৌরিবা থৌদাং অসিগীদমক ইকাই খুম্নবা উত্তুনা মহাকপু রাজ্য সভাগী এম পি ওইনা হাপখিবনি।

লমদম অসিগী শান্নরোইশিংগী হৈশিংবা অদু য়েংলগা প্রাইম মিনিষ্টরনা শকখঙলদুনা মণিপুরদা নেস্নেল স্পোর্ট য়ুনিভর্সিটি পীরকপনি হায়না লৌই।

লমদম অসিগী হৌগৎলক্লিবা নহাশিংনা মখোয়গী হৈশিংবা অমসুং হোৎনবা কনবা অদু খঙবা তাই। লোয়নননা মখোয়গী হৈশিংবা অমসুং হোৎনরিবা অসিদা পুক্লিং থৌগৎলবদি অহেনবা মীংচৎ শোয়দনা পুরকপা ঙমখিগনি হায়খি।

ষ্টেটকী পীকপা চাউবগী ৱাফম লৈতে, লমদম অদুদা লৈরিবা মীয়ামগী হৈশিংবা অদু খঙবীবা দরকার ওই। মরম অসিনা মণিপুর অসি লায়রবা ষ্টেট নত্তে, মখোয়গী হৈশিংবা অদু শোয়দনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা শক খঙবীগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, লৈবাক অসিগী লৈরিবা মীপুম খুদিংমক অসি অমগা অমগা ইকাই খুম্নগদবনি। ধর্ম্ম, ফিজেৎ চাকচাগী খেন্নবনা ঐখোয় খেন্ননা উহনবা চুপ্লোই।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্না য়ুমদা লৈবা মতমদা ইশাগী লোল ঙাংগদবনি। মপান থোক্লগা অতোপ্পা লোন ঙাংবদা কায়দে।

ঐখোয়না ইমা, ইশাগী পোক্লফম লমদম অমসুং ইরোলবু কৈদৌঙৈদা মীরাইবা য়ারোই। ঐখোয়না ইশাগী লোন অসি করিগীদমক মীরাইগদগে। ইন্দিয়া অসি অমত্তনি হায়বগী ৱাখল অসি থাদোক্তবা তাই হায়খি।

ঐখোয় ইন্দিয়ান ঙাক্তনি, জাতি ধর্ম্মগী খেন্নবা, ফিজেৎ চাকচাগী খেন্নবা অসিনা ঐখোয়বু মচোয় তাহনবা চুপ্লোই হায়খি। ইন্দিয়ানা ঙসি ফাওবদা লৈবাক অমত্তদা এটেক তৌবা লৈত্রি, অতোপ্পা লৈবাক্না ইন্দিয়াদা এটেক তৌরকপা ঙাক্তনি।

# মশাগী নুপী মখৌরি লাকহৎলগা হাৎখিবা ...

অদুগা মহাক্কী ফাদোক্কী মতম লেপকদবা সেন্টেস হিয়ারিংনা ঙসি কোর্টসিদা পাঙথোল্লগা মহাক্কী পুন্সি চুপ্পগী ফাদোক অসি মহাক্কী মতাংদা লাউথোকখিবনি।

কোর্টকী জজমেন্ট অমসুং ওর্ডরসিদা প্রেমজিৎনা লৈখিদ্রবী মহাক্কী নুপী লতাবীগী খ্বাইদগী নক্নরিবা পোকমিন্নবা মচিল–মনাও য়ুমলেম্বম সনাহল মৈতৈদা লুপা লিশিং ১০গী ফাইন শেনফমসু পীননবা খঙহনখি।

লোয়নননা সিআরপিসিগী সেক্সন ৩৫৭–এগী মখাদা লৈখিদ্রবীগী ইমুংদা কম্পেন্সেসন স্কিমগী মখাদা তেংবাং পীনবসু কোর্টনা খঙহনখি।

পনবা য়াবদি থৌদোকসিগী কেসতা চৈন্নে হায়রিবা লৈখিদ্রবীগী মনেম্নোক চানৌ অমদি মকুবোক ইবোবীগী মথক্তদি প্রোজিক্যুসনগী মায়কৈদগী মশক থোকপা ইভিদেন্সশিং পুথোকপা ঙমদবদগী মখোয়বুদি কেসসিদগী মরাল লৈত্রে হায়দুনা লাউথোক্লদুনা মখোয়গী মথক্তা তৌরকপা চার্জশিং ককথৎখি।